HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পুজা এলাংবমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এম ওগা লোয়ননা নিংথৌখোংগী কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা চৎতুনা লায়েংশঙ অসিগী ফীভম অমসুং নৌনা শাগৎপা বিল্ডিংগী মতাংদা রিভিয়ু তৌখিবা


থম্মোয় পাউদম : হায়-স্কুলদগী প্রি-য়ুনিভর্সিটি - ২ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হোল ফূদ চাবনা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহল্লি
‘ৱাকায়না ৱাথোক শেস্বা লম’ ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী...
ভি পিগী মীখল : আই এন দি আই এনা এন দি এগী... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ শান্নবা চৎনবা ফ্লাইট টিকেট করুবগী শেল লৈতবনা...


কুমজা ২০০৩গী ওগষ্ট ১৯দা লিংখৎখিবা ওল মণিপুর রিকগনাইজদ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফেয়র এসোসিএশনগী ২২শুবা প্রাইভেট স্কুল দেগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎখিবা



Vol. 49, Issue No. 140 | য়ুমশকৈশা, থৱানগী ২৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, August 20, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## হায় কোর্টতা সিট্টিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী পি আই এলগী ৱায়েল চথখ্রে

# মণিপুরগী এম এল এ ৬ অমসুং এক্স-এম এল এ ৫ তোঙান-তোঙানবা কেসশিং মায়োক্লরি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা পিটিস্নর অমনা লৈবাক অসিগী সিট্টিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা লৈৱ্রা, লৈরগনা কয়ানো অমসুং করম-করম্বা সিট্টিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা কেসশিং অদু লৌখৎপনো হায়না হংলকখিবগা লোয়ননা লৌখৎখিবা কেসশিং অদুগী ইনভেষ্টিগেশন/ৱায়েলগী থবক্না কদাই য়ৌরবগে হায়না হংলকখিবা পিটিশন অমা এপেক্স কোর্টনা খন্নরবা মতুংদা লৈবাক অসিগী সিট্টিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল অথুবা মতমদা চথনবগীদমক স্পেশল কোর্টশিং ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লিংখৎনবা পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না মণিপুরগীসু ষ্টেট অসিগী সিট্টিং অমদি ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল চথনবা স্পেশল কোর্ট অনী (কোর্ট নম্বর ৱান অমসুং টু) লিংখৎপগা লোয়ননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগীসু পি আই এল নম্বর ৩৮ ওফ ২০২০ (ইন রি-মোনিটরিং ওফ ক্রিমিনেল কেসেস এগেনষ্ট এম পি-এম এল এ) লৌখৎতুনা ৱায়েল চথরকখিবনি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎপা পি আই এল অসিগী ৱায়েল থেঙ্খাং নাইনা চথখ্রবা মতুংদা ঙসিসু চীফ জষ্টিস কে সোমাশেকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা পি আই এল অসি বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ২০দা হাপ্তুনা মসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথখ্রে।

পি আই এল অসিগী ৱায়েল চথখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী করম-করম্বা সিট্টিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এ কয়াগী মথক্তা লৌখৎপা কেসশিং কয়াম লৈরিবগে অমসুং কেসশিং অদুগী ‘ষ্টেটস’ শিংনা করি ওইরিবগে হায়বগী মতাংদা রিপোর্ট অমা লানখৎখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, ঙসি চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চ অসিনা পি আই এল অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চথরকপদা লানখৎখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না মমাঙ থা (জুলাই ৩১, ২০২৫) ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী সিট্টিং অমসুং ফোর্মর এম পি-এম এল এশিংগী মথক্তা দিষ্ট্রিক্ট অমদি সবোর্দিনেট কোর্টশিংদা লৈরিবা কেসশিংগী অকুপ্পা রিপোর্ট পীখৎলকখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না কেসশিং মায়োক্লরিবা মণিপুরগী সিট্টিং অমসুং ফোর্মর এম এল এশিংনা এম এল এ ওক্রম ইবোবী, কে মেঘচন্দ্র, এল রামেশ্বর মৈতৈ, টি ঐচ শ্যামকুমার, টি ঐচ বিশ্বাজিৎ অমসুং চিনলুন্থাংনি। অদুগা কেসশিং মায়োক্লরিবা এক্স-এম এল এশিংনা সামুএল জেন্দাই, ওইনাম লুখোই, কে ঐচ রতনকুমার, মোইরাংথেম হেমন্ত অমসুং ওক্রম হেনরিনি হায়রি।



ও ইবোবী



কে মেঘচন্দ্র



এল রামেশ্বর



সামুএল জেন্দাই



ওইনাম লুখোই



কে ঐচ রতনকুমার



টি ঐচ বিশ্বাজিৎ



এম হেমন্ত



টি ঐচ শ্যামকুমার



চিনলুন্থাং



ওক্রম হেনরি

হায় কোর্টতা লানখৎপা রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না **এম এল এ, ও ইবোবী**গী মথক্তা হৌজিক ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেসন্স কোর্টতা কেস অনী লৈরি। কেসশিং অদুগী নম্বরনা আর সী-দি এস টি-২০১৯-এ-০০১১ (নবেম্বর ২০, ২০১৯) অমসুং আর সী-০১-৭-২০১৯-এ ০০০২ (ফেব্রুৱারী ১৪, ২০১৯) নি হায়রি।

কেসশিং অসি মথংশিংনা প্রিভেন্সন ওফ করপশন এক্টকী সেক্সন ১৩(২), ১৩ (১) (সী), অমসুং আই পি সী সেক্সন ৪২০, ৪০৯, ৪০৩, ১২০-বি, ৩৪ অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপশন এক্টকী সেক্সন ১৩(২), ১৩ (১)(দি) অমসুং আই পি সী সেক্সন ১২০-বি অমসুং ৪২০গী মখাদা লৌখৎপনি হায়রি।

কেসশিং অসিগী মেক্সিম্মম পনিশমেন্টনা ফাইনগা লোয়ননা চহী ৭নি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবদা এম এল এ অসিগী মথক্তা লৌখৎলিবা কেস অনী অসি ‘ইনভেষ্টিগেশন ষ্টেজ’দা লৈরিবনা কেসশিং অসিগী চাজ শীট থাগৎলক্ত্রি হায়রি।

**এম এল এ, কে মেঘচন্দ্র**গী মথক্তনা এদিশনেল সেশন্স কোর্ট (ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট), মণিপুর ৱেষ্ট (স্পেশল কোর্ট-এম পি/এম এল এ নম্বর ৱান, মণিপুর) দা থৌবাল দাম পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৩ (৪) ২০১৯ লৈরি। কেস অসি এস সী/এস টি প্রোটেক্সন ওফ এত্রোসিটিজ এক্ট, ২০১৫গী সেক্সন ৩ (১) (২), আই পি সী সেক্সন ৩৫৩, ৫০৬ অমসুং রিপ্রজেন্টেশন ওফ পিপলস এক্ট-১৯৫১গী সেক্সন ১৩১ (১) (৬) (২) গী মখাদা লৌখৎপনি। কেস অসিগী মেক্সিম্মম পনিশমেন্টনা চহী অনী ওইবগা লোয়ননা জন্যুৱারী ২২, ২০২১দা কেস অসিগী চার্জশীট ফাইল তৌরকখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ওইরিবা কেস অসিগী প্রজেন্ট ষ্টেটসনা এম এল এ অসিনা কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্টঅসিদা কারক্কদবদু সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা স্পেশল লিভ (ক্রিমিনেল) নম্বর ৯১২৭ ওফ ২০২১গী মতুংইন্না কোর্টনা পীরকখিবা ওর্দর অমনা এম এল এ অসিবু কেস অসিগা মরী লৈননা কোর্টতা এপিয়ারেন্স তৌহনবগী ওর্দর ষ্টে তৌদুনা থল্লক্লি হায়রি।

**এম এল এ, এল রামেশ্বর মীতৈ**গীনা এদিশনেল সেশন্স কোর্ট (এফ টি সী), মণিপুর ৱেষ্ট (স্পেশল কোর্ট-এম পি-এম এল এ), নম্বর ৱান-মণিপুরগী কোর্টতা স্পেশল ট্রাইএল কেস নম্বর ২ ওফ ২০২০ লৈরি। কেস অসিগী নম্বরনা আর সী-১ (এ) ২০১৮-ইম্ফালনি। কেস অসি আই পি সী সেক্সন ১২০-বি, ৪২০, ৪৬৮, ৪৭১, ৪৭৭ এ অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপশন এক্ট-১৯৯৮গী সেক্সন ১৩ (২), ১৩ (১) (দি) গী মখাদা লৌখৎপনি। কেস অসিগী মেক্সিম্মম পনিশমেন্টনা চহী ৭নি অদুগা জন্যুৱরী ১২, ২০২১দা কেস অসিগী চার্জশীট ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা দিসেম্বর ২৯, ২০২১দা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে। হৌজিক কেস অসিগী প্রজেন্ট ষ্টেটসনা প্রোজিক্যুশন ৱিটনেসকী হিয়ারিং চথরি হায়রি।

**এক্স-এম এল এ সামুএল জেন্দাই**গীনা হৌজিক এদিশনেল সেশন্স কোর্ট (এফ টি সী), মণিপুর ৱেষ্ট (স্পেশল কোর্ট-এম পি/এম এল এ) নম্বর ১-মণিপুরদা কেস এফ আই আর নম্বর ২২ (৯) ২০১৮ নোনে পি এস লৈরি। কেস অসি আই পি সী সেক্সন ৩০৭, ৪৩৬কী মখাদা লৌখৎপনি। কোর্ট অসিদা কেস অসি স্পেশল ট্রাইএল কেস নম্বর ১ ওফ ২০২১ ওইরি। কেস অসিগী মেক্সিম্মম পনিশমেন্টনা চহী ১০নি। লোয়ননা মার্চ ১৮, ২০২১দা কেস অসিগী চার্জশীট ফাইল তৌরক্লবা মতুং মে ২৪, ২০২২দা চার্জ ফ্রেম তৌরগা হৌজিক্লা কেস অসিগী প্রোজিক্যুশন ৱিটনেসকী হিয়ারিং চথরি হায়রি।

**এক্স-এম এল এ ওইনাম লুখোই**গীনা জুদিশল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস, ইম্ফাল ৱেষ্ট-২দা ময়াং ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৫ (৮) ২০০৮ অন্দর সেক্সন ২১২, ১২১, ১২১-এ, ৩৪ আই পি সী, ২০ য়ুএ (পি) এক্ট অমসুং ২৫ (১-সী) আর্মস এক্টকী কেস লৈরি। কেস অসিগী মেক্সিম্মম পনিশমেন্টনা ইমপ্রিজনমেন্ট ওফ লাইফনি অদুবু কেস অসিগী মতাংদা ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিগী রিপোর্ট ঙাইরিবনা হৌজিক ফাওবদা চার্জশীট থাগৎলক্ত্রি হায়রি।

**এক্স-এম এল এ, কে ঐচ রতনকুমার**গীসু জুদিশল মেজিষ্ট্রেট ফাষ্ট ক্লাস, ইম্ফাল ৱেষ্ট-২গী কোর্টতা ময়াং ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ১৪(২)২০২২ অন্দর সেক্সন ১৪৭, ১৪৮, ১৪৯, ১৮৮, ৩৫৩, ৩২৫ লৈরি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী হৌজিক ওইরিবা প্রজেন্ট ষ্টেটসতদি কেস অসিগী রিমান্দ অমদি চার্জশীট য়াওনা ফাইনেল রিপোর্টকী মতাংদা রেকোর্দ অমত্তা ফংদ্রে হায়রি।

**এম এল এ থোঙাম বিশ্বাজিৎ**কীনা চীফ জুদিশল... মখা লমায় ৩ কলম ২

## বিরেনগী ওদিও টেপনি হায়দুনা কোহুরনা সুপ্রিম কোর্টতা চার্জ তৌরকপা কেসকী হিয়ারিং চথখ্রে

### বিরেনগী মচানুপীনা কেস অসিগী পার্টি অমা ওইজগে হায়রকপা প্রেয়র সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে

### সেন্ত্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিনা ওন্ন-তৈনবা পাউখুম পীরে হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টনা শাওখ্রে, অমুক হন্না রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং অসিদা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা রিজাইন তৌদ্রিঙৈদা লৈরম্বা ষ্টেট লৈঙাকপু চীফ মিনিষ্টর ওইদুনা লুচিংলম্বা এন বিরেননা ঈরাং অসি হেন্না চাউথোকহন্নবা ৱাফমশিং ফোঙদোকই অমসুং কুকি-জো ফুরুপ্তা ভাইওলেন্স চথনবা ৱাফমশিংসু ফোঙদোকই হায়বগী চার্জ তৌরদুনা কুকি ওর্গনাইজেশন ফোর হ্যুমেন রাইটস ত্রষ্ট (কোহুর) না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিশন অমগী মখা তাবা ৱায়েল ঙসি চথখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ‘মণিপুর’ পকশিনবা ৱাহং য়াওবদগী ৱাথোক ওইরক্তুনা অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিশননা ৱাহং অদু ককথৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস) :** অসাম পব্লিক সর্ভিস কম্মিশন (এ পি এস সী) না লৌদুনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা এগ্রিকলচরেল দিভেলপমেন্ট ওফিসর (এ দি ও) লৌবগী এগজামিনেশনগী ক্বেশন নম্বর ৯৫দা ‘মণিপুর’ পকশিনবা ৱাহং য়াওশিল্লক্তুনা ৱাথোক ওইরকপদগী ৱাহং অদুমক কম্মিশন অসিনা কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

এগজামিনেশন অসিগী ক্বেশন নম্বর ৯৫দা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগা মরী লৈনবা ৱাহং য়াওশিল্লকপদগী মণিপুরগী মৈতৈ হেরিটেজ সোসাইটি (এম ঐচ এস) না য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কম্মিশন অসিদা ৱাকৎখিবনি। ৱাহং অদুনা মীতৈ ফুরুপ্পু লান্না উহন্নবা হোৎনরে হায়নসু খঙহনখিবনি।

ৱাকৎ অসিগী মতুংইন্না ঙরাং কম্মিশন অসিগী মায়কৈদগী শেংদোক চেরোল অমা থোকখিবগা লোয়ননা ৱাহং অদু এগজামিনেশন অসিগী ইভাল্যুএশনদা য়াওররোই হায়রকখিবগা লোয়ননা কম্মিশন অসিগী চ্যেরমেন দেবরাজ উপধ্যায়না ক্বেশন পেপরশিং অদু ইন্দিপেন্দেন্ট সবজেক্ট এক্সপার্টশিংনা শেল্লকপনি অমসুং এগজামিনেশন পাঙথোক্কদবা নুমিৎ ফাওবদা সিল্ড তৌদুনা থল্লকখিবনি। থৌওং অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## গভর্ণরনা চুড়াচান্দপুরদা চৎতুনা আই দি পিশিংগা উনখ্রে

### ক্রেচ সেন্টর ১ শঙ্গাবগা লোয়ননা আই দি পিশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস) :**

গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা চৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটিগী থবক থৌরমশিংসু য়েংশিনখ্রে।



খোঙচৎ অসিদা ফর্ষ্ট লেদি গভর্ণরসু লোয়নরদুনা তোর্বুংদা হাংবা প্রি-ফেব্রিকেটেদ রিসেট্টলমেন্ট কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগসু হকথেংননা উনখি।

খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা গভর্ণরনা ক্রেচ সেন্টর অমা শঙ্গাখিবগা লোয়ননা আই দি পিশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা হন্দক পাঙথোকখিবা এ ঈ ঈ টি, ২০২৫গী এগজামিনেশনদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয় অনীবুসু ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখি। তুংদা মহৈরোয় অনীসিখক্তা নত্তনা রিলিফ কেম্পদা লৈবা মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোয়শিংগসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## রিমসতা খোঙ তেকপগী ওপরেশন তৌরবা মতুংদা নুপী পেসেন্ট অমা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস):**

মচানুপী অনী লৈরবী নুপী অমা ময়ূমদা তুশিনবদা খোঙগী শরূ তেকপদগী রিমসতা ওপরেশন তৌরবা মতুংদা লৈখিদ্রে। থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা পেসেন্ট পার্টি অমসুং মীয়াম্না হৌরকপদগী লায়েংশঙ অসিদা ঈরাং থোকখ্রে।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং লাইশ্রম নিঙোল হিজম ওংবী ইবেমচা লৈমা (৫২) মপুরোইবা ঐচ মোহন মৈতৈ কৌই, সেকমাই পুলিস ষ্টেশনগী মনুং চনবা অৱাং সেকমাই লাইপাৎ লৈকায়দগীনি হায়রি।

লৈখিদ্রবীগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা থা অসিগী ১৩দা মহাক তুশিনবদগী য়েৎ থংবা খোঙগী খুজেং মথক ওইরপ্পা শরূ তেকপদগী রিমসতা পুখৎলকখিবনি। থংনবা নুমিৎতা ৱার্দতা এদমিট তৌদুনা লৈরবা মতুং ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩০দগী নুংথিলগী ৪ ফাওবা ডা. নোংথাংগী মখাদা ওপরেশন তৌখি। অদুবু নুংথিলগী পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা খঙহৌদনা নুপী অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## মোটবুংদা লৈরকখিবদু শৈদাংলগা লৈবা নত্তে, নুমিদাংদা য়ূম মৈ থারকপদগী থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লক্লগা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবনি : এল ইবেচা

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
মোটবুং কৈথেল মীতৈ লৈকায়দগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লান অসি মখা চথরক্লরোই হায়বগী পূক্লিং লূম্বা ফীভম অমদা লৈতবগা লোয়ননা লাঞ্জেন্নরকপশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা চহী ২ হেন্না লৈরক্লিবশিংগা হকথেংননা উনদুনা মখোয়গী অনীংবা-অপাম্বা অমসুং পূক্লিং-ৱাখলগী ৱাফমশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদা রিপোর্ট তৌরক্লিবা ‘হকথেংনবা পাউদম’ গী মখা তারকপদা মোটবুং কৈথেল মীতৈ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক্লা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৫৯



শুরবী লৌরিয়াম ইবেচানা পাউচে অসিদা হায়, হৌজিক ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবসি চহী ২ হেল্লক্লবনিনা ইচা-ইশুশিং মাঙলগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোল্লক্লে। ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিন্নীংবা হায়বসিদি রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা ঐখোয়গীদি মশানা তাবা ৱাফম্নি। রিলিফ কেম্পতদি শুফম নোম্ফম লৈতবনিনা য়াম্না ৱাই। চীংদা লৈরিবশিং অসি মশা মশানা লমগী পাট্টা পায়দুনা লৈবা অমত্তা নত্তে। অদুবু ঐখোয়না মোটবুংদা লৈবদুদি পাট্টা পায়রগা লৈরকপনি। কুকিশিংগী লমদা শৈদাংলগা লৈরকপা নত্তে। ইশাগী ইরমদমদা লৈবনি। মখোয়না করিমত্তা হায়দনা নুমিদাংদা লাক্লগা মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থারকপদগী চেল্লকপনি।

লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাং পুং ৮ রোম তারকপা অদুৱাইদা কুকি খুৎলায় পায়বশিং অদুগী মশীং ১০০ রোম ওইরমগনি। টাটা গাড়ী ১০ মুক্তা লাক্লগা করিমত্তা হায়দনা মোটবুংদা লৈবা মীতৈশিংগী য়ূম মথং-মথং মৈ থাবা হৌরকখিবনি। লাক্লিবা মখোয়দু য়াম্বনিনা পংলাংদা লাংই। অদুবু ঐখোয়দি অদুগুম্বা থৌদোক থোরক্কনি থাজরুদে। (মথং-মথং)

## নুপাদগী জেন্দর রি-এসাইন্টমেন্ট সর্জরি তৌরগা নুপী ওন্থোক্লবা মীওই ১গী মমিং মথা ওন্থোকপদা হায় কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে

### হায় কোর্টনা বোসেম, কোসেম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং মণিপুর মেদিকেল কাউন্সিলনা নুপাদগী নুপী ওল্লবা পিটিস্নরগী অনৌবা মমিং মথাদা দোক্যুমেন্টশিং পীননবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস) :** হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা পীরকখিবা ‘লেন্দমার্ক জজমেন্ট’ শিংনি হায়বা য়ারবশিংগী মনুংদা অমা ওইরগদবা জজমেন্ট এন্দ ওর্দর অমদা কোর্ট অসিগী জষ্টিস এ গুনেশ্বরনা জেন্দর রি-এসাইন্টমেন্ট সর্জরি পাঙথোক্তুনা নুপাদগী নুপী ওল্লবা অমসুং মশামকসু এম বি বি এস পাস তৌদুনা ডাক্তর ওইরবা মীওই অমগা নুপী ওল্লবা মতুংদা শেমদোল্লবা মমিং মথাদা বোসেম, কোসেম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমসুং মণিপুর মেদিকেল কাউন্সিলনা মহাক্কী এদ্যুকেশনগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীননবা খঙহনখিবগা লোয়ননা চীফ সেক্রেটরিদসু হায়রিবা দিরেক্সনশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক মথৌ তাবা দিরেক্সনশিং পীননবা খঙহনখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগী পিটিশন অদুগী নম্বরনা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩৯২ ওফ ২০২৪নি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫